# বি জে পি ষ্টেট ইলেকসন মেনিফেষ্টো অমসুং মীয়ামগী হকশেল

— ডা. সোরাম মনিকান্তা —
প্রসিদেন্ট, ইন্দিয়ন সাইকিয়াট্রিক সোসাইটি,
মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চ
dr.smanikanta@gmail.com



ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে প) না কুমজা ২০২২গী ফেব্রুৱারী থাদা পাঙথোক্লবা য়াই হায়না থাজনরিবা ষ্টেট এসেম্বলি ইলেক্সনগা মরী লৈননা ইলেক্সন মেনিফেষ্টো শেম্নবা মীয়ামদগী সজেসন কয়া কৌরি। মসিগী শরুক অমা ওইনা হৌখিবা দিসেম্বর ৬, ২০২১গী নুংথিল পুং ৩ তাবা মতমদা Hotel imphal by Classic তা মেদিকেল ডাক্তরশিংগা উনবগী থৌরম অমা পাঙথোকখি। বি জে পি নেসনল স্পোক্সপর্সন অমসুং ইন-চার্জ, মণিপুর ডা. সম্বিট পাত্রা অমদি বি জে পি ষ্টেট মেনিফেষ্টো কম্মিটি মেম্বর ওইরিবা ওনরেবল এম এল এ ডা. টি ঐচ রাধেশ্যামসু শরুক য়াখি। মসি অফবা খোঙথাংনি। পব্লিক অমসুং প্রাইভেট সেক্টরদগী রিপ্রজেন্ট তৌবা ডাক্তর কাঙলুপ অমনা সজেসন কয়া থমখ্রে। লমদম অসিদা হেল্থ সেক্টরদা অৱাংপা লৈরিবা কয়া অসিবু ফগৎনবা হোৎনবদা লৌরকপা খোঙথাং অমা ওইগনি হায়না থাজে। লমদম অসিদা লৈরিবা হেল্থ ক্যের দেলিভরি সিষ্টম অসি অৱাংপা কয়া লৈরি। চীং অমসুং তম্পাক্কী মনুং হঞ্জিনবা মফম কয়াদদি প্রাইমারি হেল্থ ক্যের ফজনা ফংহনবা ঙমদ্রি। মসিমক কোভিদ লাইচৎ মনুং অসিদা ঐখোয়না থেংনখ্রবনি। মণিপুরগী মায়কৈ কয়াদগী পুখৎলকপা অনাবা কয়া ইম্ফাল সিটিদা লৈরিবা হোস্পিটাল (পব্লিক/প্রাইভেট) কয়াদা লায়েংবা ফংদবদগী মীশি মীনা কয়া থোকখ্রে। অঙাং উননবা হোৎনবদা হোস্পিটালদা এদমিসন ফংদবদগী মমা মচা পূন্না শিখিবগী ৱারী, লম্বীগী খুদোংথীবা থৌদোক্তা মকোক শোক্তুনা পুখৎলকপা মীওই অমা হোস্পিটালদা মিং চনবা ফংদবদগী নুমিৎ হুমনি লৈরগা শিখিবগী ৱারী, প্রাইভেট হোস্পিটাল অমদা লায়েংলুরগা অয়েংমল অদু য়াম্মনখিবদগী পীবা ঙমদদুনা অশিবা মশা পীরোই হায়রকপগী ৱাথোক, লোইবা খন্বা ৱারী নত্তে। শেল পায়বা ইনাকখুনবা ভি আই পি কয়ানা হিংহৌরগা লায়েংমল পুথোকপা ঙমদবা লায়রবা কয়া কোভিদ লাইচৎ অসিদা শিখিবা কোঙ্গাইনি। অৱাং নোংপোক লমদমদা লৈরিবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা মণিপুর কোভিদ-১৯না খ্বাইদগী হেন্না শোকহনবা ষ্টেট অমনি। অপূনবা কোভিদ নাবা মশীং অমসুং শিবগী চাং অনীমক্তা মণিপুরনা অতৈ অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদগী য়াম্না হেল্লি। মণিপুর অসি অতৈ এন ঈ ষ্টেটশিংগা য়েংনবদা হেল্থ সেক্টরদদি খুমাঙ চাওশিল্লি হায়রিবনি। অদুবু মসি অপূনবগী হেল্থ ক্যের সিষ্টমদদি য়াম্না ৱাৎলি, য়াম্না শোত্থরি।

অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী কোভিদ নাবগী মশীং অমসুং শিবগী মশীং (ৱারেং অসি ইবা ফাওবদা নৈনদুনা য়েংসি :

| ষ্টেট | অপূনবা মশীং | শিবগী মশীং | চাদা শিবগী চাং(পি সী) |
|---|---|---|---|
| Assam | 6.19L | 6133 | 0.99 |
| Mizoram | 1.39L | 523 | 0.37 |
| Manipur | 1.26L | 1992 | 1.58 |
| Tripura | 84,934 | 826 | 0.97 |
| Meghalaya | 84,694 | 1476 | 1.74 |
| Arunachal | 55,313 | 280 | 0.50 |
| Sikkim | 32,431 | 406 | 1.25 |
| Nagaland | 32,158 | 699 | 2.17 |

পিকখ্রবা ষ্টেট মিজোরামদা কোভিদ নাবগী মশীং য়ামজরবসু শিবগী মশীং য়াম্না নেম্মী। মীশিং য়াম্না লৈবা ত্রিপুরাদা কোভিদ নাবা অমসুং শিবা অনীমক মণিপুরগা য়েংনবদা মশীং য়াম্না হন্থে। মণিপুরদা কোভিদ নাবা অমসুং শিবগী মশীং য়াম্মী। লায়না লাইচৎ নৎত্রগা Disaster অমা লাকপা মতমদা মতিক চানা থেংননবা অমসুং মীশি মীনা থোক্তনবা তুংকোয়বা থৌরম অমা লৌখৎপা মথৌ তাই। ঙসিনা কোভিদ, হয়েংনা ইন্টরনেল ক্রাইসিস, হংচিংনা আর্থক্কেক কনানা তম্বা ঙম্বা। অসিগুম্বা মেদিকেল ইমর্জেন্সি অসি থেংনবা ঙম্নবা হেল্থ ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎপা তঙাইফদে। মণিপুরগী হৌজিক লৈরিবা হেল্থ ইনফ্রাষ্ট্রকচর অফবা ওইদে। খুদম ওইনা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অমগী লৈফম থোকপা ইনফ্রাষ্ট্রকচর, ইক্বিপমেন্ট অমসুং মেনপৱর মতিক চানা লৈতে। খ্বাইদগী মীশিং হেন্না লৈবা অমসুং অর্বান পোপ্যুলেসন য়াম্বা ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট অনী অসিদা মতিক চাবা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অমত্তা লৈতে। দিষ্ট্রিক্ট অনী অসিদা লৈরিবা রিমস অমসুং জেনিমস হোস্পিটাল অসি মণিপুরগী খ্বাইদগী চাউবা অনা লায়েংশঙনি। মণিপুরগী মফম কয়াদগী লাকপা অরায়বা অমসুং অরুবা অনাবা কয়া মফম অসিদা লায়েংলি। মসিদা লায়েংবা ফংদবা ইমর্জেন্সি ওইবা অনাবা কয়ানা ইম্ফাল সিটিগী মফম কয়াদা লৈরিবা প্রাইভেট হোস্পিটালশিংদা শেল চঙনা লায়েংনরি। মেদিকেল কোলেজ হোস্পিটাল হায়বসিদি য়াম্না মরু ওইবা, সেরিয়স ওইবা, ক্রিটিকেল ক্যের নৎত্রগা সুপর স্পেসলিষ্ট মথৌ তাবা অনাবশিং য়েংগদবনি। অরায়বদগীনা য়াইমরপ সেরিয়স ওইবা অনাবা কয়াদি দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল নৎত্রগা কম্যুনিতি হেল্থ সেন্টরশিংনা য়েংবা ঙাক্তনি। অরুবা সেরিয়স ওইবা ক্রিটিকেল ক্যের মথৌ তাবা অনাবা অদুনা মেদিকেল কোলেজ হোস্পিটালদা রিফর তৌই। অসুম্না তৌবা অসিনা মেদিকেল কোলেজ হোস্পিটালশিং অসিদা অনাবা ওভরলোদ ওইদে। মতম চানা লায়েংবা ঙম্মী। ক্বালিটি সর্ভিস পীবগা লোয়ননা মী শিবগী চাং হন্থে। পোপ্যুলেসন খ্বাইদগী হেন্না লৈবা ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট অনী অসিদা ঙসি ফাওবা মতিক চাবা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অমত্তা লৈতে। ইমর্জেন্সি ওইবা অনাবা নৎত্রগা লম্বীগী এক্সিদেন্ট থোকপা মতমদা ইম্ফাল ময়োলদা লৈবা হোস্পিটালশিংদা পুরগা লায়েংবা ঙাক্তনি। মসিনা অনাবগী চখোক চৎশিন্দা শেল হেন্না চাদিং তৌবদা নত্তনা সেরিয়স ওইবা অনাবা কয়া মতম চানা হোস্পিটাল য়ৌবা ঙমদবদগী খুদোংথীবা কয়া মায়োক্নে অমসুং শিবা নাবা থোকই। দিষ্ট্রিক্ট অনী অসিদা মতিক চাবা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অমমম লৈরবদি অসিগুম্বা খুদোংচাদবা কয়া অসি খরদা ওইরবসু হন্থহনবা ঙমগনি। অদুগীসু মথক্তা রিমস/জেনিমস হোস্পিটাল অনী অসিদা পেসেন্ট ওভরলোদ ওইরিবা অসিসু হন্থহনবগা লোয়ননা ক্বালিটি সর্ভিস অমা পীবা ঙমগনি। মীশি মীনা থোকপদগী ঙাকথোকপা ঙমগনি। মরম অসিনা তুং কোইবা লৈঙাক্কী পোলিসি অমা ওইনা দিষ্ট্রিক্ট অনী অসিদা মতিক চাবা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অমমম লৈবা হায়বসি তঙাইফদে। মসিনা অফবা মখলগী লায়েং মফম অদুমক্তদা শেল ইচং চঙদনা ফংহনবা ঙমগনি। লায়রবা মীওইশিংনা মখোয়গী লৈজরিবা শেনফম অদু লায়েংবদা শীজিন্নবদগী কনবা ঙমগনি। ইকোনোমি ফগৎহনবদা মতেং পাংগনি। মশা মউ ফনা থম্বা ঙমগনি অমসুং অফবা খুন্নাই অমা লিংবা ওইথোক্কনি। ঙসি কোভিদ লাইচৎ লাকপা মতম অসিদা দিষ্ট্রিক্ট অনী অসিদা হোস্পিটাল অমমম লৈরম্লবদি শাফরমগনি। হৌজিক ওইরিবা কোভিদকী মীশি মীনা অসি ওইরমদবা য়াই।

লম্বীগী এক্সিদেন্ট অমসুং Burn injury - Ministry of Road Transport and Highways গী রিপোর্ট মতুংইন্না রোদ এক্সিদেন্ট অসি চহী ১৫-৪৯ ফাওবদা লৈবা মীওইশিংগী পুন্সি লমখাংদা মাঙনবগী মরু ওইবা মরম মরিগী মনুংদা অমনি। চাংচৎতা পুং ১ খুদিংগী রোদ এক্সিদেন্ট ৫৩ থোকই অমসুং মীওই ১৬ পুন্সি লোমহল্লি। হায়রিবশিং অসি চেকশিল্লবদি অমদি মতম চানা (Golden Hour) লায়েংবগী খুদোংচাবা ফংলবদি শিবা নাবা থোকহন্দবা য়াবা থৌদোকশিংনি। মণিপুর চীংগী লম্না শরুক য়াম্বা অমসুং লম্বী থোং ফত্তবনা মরম ওইদুনা রোদ এক্সিদেন্ট থোকপা য়াবগী ওইথোকপা চাউনা লৈ। মণিপুরদা নেসনল হায়ৱে কয়ামরুম ফাওদুনা চৎলি। খুদম ওইনা এন ঐচ-২, এন ঐচ -৩৭, এন ঐচ -১৫০, ত্রান্সএসিয়ন হায়ৱেজ অসিনচিংবা পনবা য়াই। মরম অসিনা ষ্ট্রেটেজিক লোকেসন খরদা ত্রাওমা ক্যের সেন্টর কয়া লিংখৎপা মথৌ তাই। মরু ওইবা মফম খরা পনবা তারবদি সেনাপতি, তেংনৌপল, উখ্রুল, সী সী পুর, নুংবা য়াম্না মফম চাবা ঙাক্তনি। মতিক চাবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর, এম্বুলেন্স সর্ভিস, ইক্বিপমেন্ট, মেনপৱার আইদেন্টিফাই তৌদুনা থম্বা মথৌ তাই। মসিনা রোদ এক্সিদেন্ট ওইদুনা অশি অনা নংগদবা কয়াদগী কনবা ঙমগনি।

ইন্দিয়াদা চহী অমদা চাওরাক্না মিলিয়ন ৬-৭ মৈনা চাকপদগী অশোক অপন নংলি। মসিগী মনুংদা চাদা ১০দি হোস্পিটালদা মিং চন্দুনা লায়েংবা মথৌ তাই। মসিগী তঙ্খায় অমদি অশি অনা নংলি। মখোয়শিং অসি চহী ১৫-৪০ ফাওবদা লৈবা মীওইশিংনি। হায়রিবা চহী মতাং অসিদি খুন্নাইদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা চহী কাঙলূপনি। মণিপুরদা চহী খুদিংগী মৈহৌ লাংপোক থোকপগী চাং ৱাংই। অশোক অপন য়াওবা মতমদা লায়েংনবা মতিক চাবা লায়েংশঙ অমত্তা লৈতে। মরম অসিনা হোস্পিটাল খরদা Burn Unit নৎত্রগা অখন্নবা Burn injury লায়েংনবা হোস্পিটাল অমা লিংখৎপা কানগনি। মসিনা অশি অনা থোকপদগী কনবদা নত্তনা রিহেবিলিটেসন সর্ভিস কয়াসু পীবা ঙমগনি।

Multi Superspeciality Hospital : Superspeciality Hospital হায়বসি অখন্নবা অনাবা অমখক্কী লায়েংবা অমসুং ক্যের পীবা ঙম্বা মখলগী লায়েংশঙনি। খুদম ওইনা Cardiothoracic, Nephrology, Neurosurgery, Oncology, Hepatobiliary অনিচিংবা পনবা য়াই। মণিপুরগী হোস্পিটাল অমা/অনীদা কিদনি ত্রান্সপ্লান্ট অমসুং কেন্সর ত্রিটমেন্ট ফেসিলিটি খরদি ফংবা হৌরে। অদুবু অখন্নবা সুপরস্পেসিএলিটিগী মথৌ তাবা লায়েংনা মরু ওইবা Cardiac Surgery, Kidney Transplant, Liver Transplant অসিনচিংবা কয়াদি অতৈ ষ্টেটতা লৈবা অচৌ অচৌবা হোস্পিটালশিংদা চৎতুনা লায়েংনরি অমসুং শেল থুমগী অচৌবা পোৎলুম মায়োক্নরি। অসিগুম্বা অখন্নবা লায়েং পথাপ অসি চত্থবা য়ানবা লৈঙাক্না সুপরস্পেসিএলিটি হোস্পিটাল অমা লিংখৎনবা থৌরাং তৌহন্নীংই।

Mental Hospital : মণিপুরদা মেন্টেল হোস্পিটাল অমা লিংবা মথৌ তারে হায়বা ৱাফম অসিমদি নুংতিগী ফোঙবা চেফোঙ কয়াদা তোয়না থেংনবদা নত্তনা পি আই এল কেস অমগা মরী লৈননা ওনরেবল হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনসু লমদম অসিদা মেন্টেল হোস্পিটাল অমা লিংখৎপা য়াবগী ওইথোকপা অদু য়েংশিন্নবা অমসুং মদু থবক ওইনা পাঙথোক্নবা দিরেক্টিভ পীখিবা লৈরে। অসিদসু নত্তনা কুমজা ২০০১গী ওগষ্ট ৬তা টামিল নাদুগী ERVADI দা লৈবা Mental Asylum অমা মৈ চাকপদগী মীওই ২৮ মৈনা চাক্তুনা শিখিবা থৌদোক্না মরী লৈননা থারকপা পি আই এল কেস অমদা ওনরেবল সুপ্রিম কোর্টনা কুমজা ২০০২গী ফেব্রুৱারী ৫দা তাখিবা ওর্দর অমনা ষ্টেট খুদিংমক্তা মেন্টেল হোস্পিটাল অমমম লিংখৎকদবনি। মালেমগী ওইনা মীওই মিলিয়ন ৪৫০ হেনবনা ৱাখল লায়না নারি। পূক্নিং ৱাখলগী ওইবা অনাবশিং অসিনা খ্বাইদগী হেন্না নাবা অমসুং Disease Burden থোকহনবা লায়ওং ওইরক্লি। ৱাফম অসিমক কোভিদ লাইচৎ মনুং অসিদদি চাম্মদা চাম্বা চুল্লবনি। নহাশিংনা মখল মখা কয়াগী ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাবা হেনগৎলক্লি। কোভিদ লাইচৎ লোইখিবসু য়াই নৎত্রগা চহী খরা চত্থখিবসু য়াই। অদুবু মেন্টেল দিসওর্দর কয়াদি মতম চুপ্পগী ওইনা মায়োক্নদুনা লৈহৌরগনি। মরম অসিনা লমদম অসিদা প্রাইওরিটিদা মেন্টেল হোস্পিটাল অমসুং Substance use disorder treatment centre লিংনবা হোৎনহন্নীংই। লৈঙাক্না হেল্থ সেক্টরদা পায়খৎকদবা অহানবা এজেন্দা ওইহন্নীংই। মসিদা বি জে পি মেনিফেষ্টো কম্মিটিনা অখন্নবা মীৎয়েং চঙহন্নীংই। ●

# হীদাক কানরবা পাম্বীশিং ঃ কোম্বীরৈ # ৩২০

— ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার —
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুট
ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ

মণিপুরগী পুৱারীগা শাগোন্নরক্লবা পাম্বীশিংগী মনুংদা কোম্বীরৈ অসি থোইদোক্না শীংথানীংঙাই ওই। "কোম্বীরৈ য়ারলপাৎকী কোম্বীরৈ পায়মা পূক্নিং নুংওল্লে... হো করি পাউখোঙনো চল্লিদো..." ঈশৈ অসি তাবদা পূক্নিং নুংওন্দবা কনাবু য়াওবগে? থম্মোয় মথুম-মরাঙ হৌহল্লি। য়ারল পাৎতা শাৎপী লৈ ... লম্ফেলপাৎতা ওংবী লৈ - লম্ফেল নৱা কোম্বীরৈ... ঈশৈ অসি ঙসিদগী চহী ৪০ রোমগী মমাঙদা মণিপুরদা থোকপা থৌদোক-ৱাথোকশিং মরু ওইনা লুহোংবদা য়াম্না পাম্না অমদি তোয়না মাইক্তা খোংলম্বা ঈশৈনি। কোম্বীরৈ পাম্বীবু শৈথাদুনা ঈশৈ কয়ামরুম অমসুং মমি (সিনেমা) পুথোকখ্রে। কোম্বীরৈ পাম্বী অসি মণিপুরগী পুৱারীগা শাগোন্নরক্লবা পাৎ-কোমদা মতম অমদা অদুমক ফজনা হৌরম্বা অথোৎপা ফুট ৩-৪ রোম ৱাংবা পাম্বী অমনি।

মালেমদা কোম্বীরৈ পাম্বী অসি মখল (স্পিসিস) ২২৫ রোম হৌবগী পাউদমশিং লৈ। মখোয়শিং অসি অৱাং থংবা বিষুপরেক্ষা (নোর্দন হেমিস্ফ্যার) গী তেম্পরেট অমসুং সব অর্ক্তিক্কী মফমশিংদা অয়াম্বা হৌই। পাউদমশিংগী মতুংইন্না হিমালয়গী লমদমশিংদা কোম্বীরৈ পাম্বী মখল ১১ অমসুং ইন্দিয়াগী মনুংদা মখল ১৭ হৌই। হায়রিবা অসিগী মনুংদা ঐখোয়গী মণিপুরগা শাগোন্নরিবা কোম্বীরৈ মখল অসিদি য়াওদ্রি। মণিপুরগী কোম্বীরৈ মখল অসি ইন্দিয়াগী ফ্লোরাদা ঙসি ফাওবগী ওইনদি চনদ্রি। সাইন্টিফিক জর্নেলশিংদা পাউদমদুনা ফোঙদোকখ্রবা নৎত্রগা ফ্লোরাগী লাইরিক্তা ফোঙদোক্লবদি মণিপুরগী কোম্বীরৈ মখল অসি ইন্দিয়াগী ফ্লোরাদা অহানবা ওইনা চনগদৌরিবনি। মদু ওইরবদি ইন্দিয়াগী ফ্লোরাদা কোম্বীরৈ মখল অসি ১৮ শুগদৌরিবনি। কোম্বীরৈ পাম্বী অসি য়াম্না ৱাংবা উন তাবা চীংগী মফমদগী য়াম্না নেম্বা ঈশিং মরাং কায়না লৈবা পাৎকী মফম ফাওবদা মখল মখা কয়াগী ঈশিং নুংশিৎ অমদি অঙৈং অশাদা হৌই। কোম্বীরৈগী লৈ অসি অঙাংবা, হীগোক, অঙৌবা, হঙ্গাম মপাল, মঙ্গ্রা মচু, কোম্লা মচু, অরাংবা অমসুং চন্দল মচুনচিংবা ওই।

য়াম্না কুইরবা মতমদগী ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদা কোম্বীরৈ মখল অনী হৌই। মখোয়দুদি য়ারল পাৎকী কোম্বীরৈ - লম্ফেল নৱা কোম্বীরৈ অদুগা অতোপ্পা অদুনা উখ্রুলদা হৌবা চীংগী কোম্বীরৈ অসিনি। চীংগী কোম্বীরৈ অসিগী বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা আইরিস ৱাতী (Iris wattii Baker ex Hook.f.) হায়না কৌই। অদুবু অখঙ অহৈ খরনদি উখ্রুলদা হৌরিবা কোম্বীরৈ পাম্বী অসি আইরিস দেকোরা Iris decora Wallich) ওইগনি হায়বসিনি। কুমজা ১৯৬১দা পীখিবা পাউদম অমগী মতুংইন্না অতোপ্পা কোম্বীরৈ মখল অনী অদুদি আইরিস কুমাওনেন্সিস (Iris Kumaonensis Wall ex Don) অমসুং আইরিস মিলেস (Iris milesh Baker ex Forst) অসিনি অদুবু হায়রিবা মখল অনী অসি ঙসিদি মণিপুরদা হৌবা থেংনদে।

ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদা হৌরিবা কোম্বীরৈ হায়না কৌনরিবা মণিপুরগী চহী হৌবদা চৈরাওবা নুমিৎতা কৎনরিবা পাম্বী অসি মতম অমদা মণিপুরদা ফজনা অমদি মরাং কায়না হৌরম্লবসু ঙসিদি পাম্বী অসি মণিপুরদা য়াম্না তাঙনা ফংবা পাম্বী ওইরক্লি। কুমজা ১৯৬১দা বোটানিকেল সর্ভে ওফ ইন্দিয়াগী বুলেটিনদা দি বি দেব কৌবা বোটানিষ্ট অসিনা ফোঙখিবা পাউদম অদুগী মতুংইন্না লম্ফেলপাৎকী পাৎথী-কোমথীদা হৌরম্বা কোম্বীরৈ অদুগী বোটানিকেলগী ওইবা মমিং অদু আইরিস বেকরি (Iris Bakeri Wall.) ওইরমগনি হায়না ফোঙখিবনি অদুবু মহাক্কী পাউদম অদুগী মখা তারকপদা হেন্না কূপথনা থিজিনবগী তঙাইফদবা অদুসু মহাক্না থমখি।

মতমদুদগী হৌনা মণিপুরগী কোম্বীরৈ পাম্বীগী বোটানিকেলগী মমিং অসি আইরিস বেকরি হায়দুনা শীজিন্নবা থেংনৈ। অদুবু আর্টিকেল অসিবু ইজরিবা ঐহাক্না থিজিনজবদগী খঙবা ঙল্লে মদুদি হান্না খঙনরম্বা নৎত্রগা কৌনরম্বা আইরিস বেকরি হায়বা মমিং অসি লান্না মমিং থোনবা নৎত্রগা লৈতবা অমনি। ঐখোয়গী মণিপুরগী পুৱারীগা শাগোন্নরক্লবা কোম্বীরৈ পাম্বী অসিগী সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিং অসি আইরিস লেভিগাতা (Iris laevigata Fisch) হায়না কৌই হায়না ঐনা থিজিনজরে অমসুং মসি চুল্লে হায়নসু লন্দন্দা লৈবা রোয়েল বোটানিকেল গার্দেনগী কোম্বীরৈগী অখঙ অহৈ Prof. Toni Hall নসু পাউখুম পীখরে। ঙসিমক মণিপুরগী মফম অয়াম্বদা থানরিবা কোম্বীরৈ মখল অসিদি মতম অমদা মণিপুরদা পুশিন্দুনা থাখিবা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংনা আইরিস সেঙ্গুইনিয়া (Iris sanguinea Don ex Hornem) থোইদোক্না ব্লদ আইরিস (Blood Iris) হায়না খঙনবা কোম্বীরৈ মখল অসিনি। হায়রিবা কোম্বীরৈ মখল অসিদি ঈশিং থোইদোক্না লৈতবা লৈবাক-লৈশাদা থাবদা ফজনা হৌবা ঙম্বগী মথক্তা লৈসু মপূং ফানা শাৎপা ঙম্মী। অদুবু ঐখোয়গী পুৱারীগা শাগোন্নবা কোম্বীরৈ অসিদি কংফালদা হৌবা ঙমদে। মসি ঈশিং খরা লৈবা পাৎথী-কোমথী অমদি ফুমদা মপূং ফানা হৌই অমসুং লৈ শাৎলি। মণিপুরী আইরিস হায়নসু অদুমক কৌনবা ঐখোয়গী পুৱারীগা শাগোন্নরক্লবা কোম্বীরৈ পাম্বী অসি চাইনা অমসুং জপান্দা হৌবগী পাউদমশিং লৈ। হায়রিবা কোম্বীরৈ অসি জপান্দদি হৌখিবা চহী ১০০০ রোমদগী থাদুনা লাক্লি অমসুং মসিবু মখোয়না জপানিজ আইরিস (Japanese Iris) হায়নসু কৌনৈ।

করি মরমদগী কোম্বীরৈ পাম্বী অসি মণিপুরীশিংগী (মৈতৈ) চহী হৌবা চৈরাওবা নুমিৎতা কৎনরিবনো হায়বগী ৱারীশিং লৈ। ৱারী অমগী মতুংইন্না য়াম্না লিরবা মতমদা শাগৈ-জাৎ হন্থবা লৈশাবী অমগা শাগৈ জাৎ ৱাংবা পাখঙ অমগা য়াম্না নুংশিনরম্মী অমসুং লৌন-লৈনবগী ৱাখল লৈরমখি অদুবু মখোয় অনীগী নুংশিনবা অদু মতমদুগী খুন্নাইনা থিংখি। মসিনা মরম ওইদুনা থৱায় নুংঙাইত্রদুনা লৈশাবী অদু মথন্তা আত্থা ঘাট তৌদুনা শিজখি। লৈশাবী অদুগী অশিবা হকচাং অদু পাৎ অমগী মপান্দা হুন্দোক্লবা মতুংদা অশিবা হকচাং অদুদগী মণিপুরগী কোম্বীরৈ পাম্বী অসি হৌরকখি হায়না থাজনৈ। জাৎ-বিজাৎ খায়বগী থৌওং অসি মুখৎনবগীদমক্তা মৈতৈশিংনা কোম্বীরৈ পাম্বীগী লৈ অসি চৈরাওবা - চহী হৌবা নুমিৎ অসিদা কৎপনি হায়না লৌনরি।

কোম্বীলৈ পাম্বী অসি মীওইবনা হীরম কয়ামরুমদা শীজিন্নৈ। অখঙ অহৈশিংনা হায়বগী মতুংইন্না মণিপুরগী কোম্বীরৈ পাম্বীগী হীগোক মচুগী মপাল অসিদগী লৌবা মচু অদু মখল-মখা কয়াগী লাই য়েকপদা মরু ওইনা নিংথৌশিংগী অতাঙবা লাইশিং য়েকপদা শীজিন্নরম্মী। কোম্বীরৈ মখল খরদি অরিবা মতমদগী অনা লায়েং মখল কয়ামরুম মরু ওইনা খোঙ কন্না হামথবা, হরা-কংখু তৌদুনা শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা অমসুং দ্রোপসি (Dropsy) হায়না খঙনবা অদুগা ইদেমা (Edema) হায়নসু কৌনবা মীওইবগী হকচাংগী কয়াৎশিংদা ঈশিং পৈখৎতুনা লৈবা অসিগী লায়েংদা হীদাক ওইনা শীজিন্নরম্মী। ঈশিং য়াফম তৌবা অমসুং পূক্নিং ৱাখল লৈতাদবদসু কোম্বীরৈগী মউ (Rhizome) অদু য়াম্না কানবা ফল পীবা ঙম্বগী ৱাফমসু লৈ অদুবু চাং হেন্না চাশিল্লবদি কোক ঙাওবা অমদি ওবা-ফায়বা তৌবগী ওইথোকপশিং লৈ হায়না অখঙ অহৈশিংনা হায়রি। ●

## / PASSBOOK LOST

I have lost my Bank Passbook bearing A/c No. 31571679794 issued by SBI, Thoubal on the way between Thoubal and MU, Canchipur on 15/12/2021. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Thongam Rockson Singh**
# 8700594369
HL-P/0965/18

## PARTNERSHIP তগী তোকচরে

মখাদা সহি তৌজরিবা ঐহাক Smt. Ashangbam Ningol Ningthoujam Ongbi Purnimashi Devi W/O Ningthoujam Arunkumar Singh, partnership firm অমা ওইরিবা M/S X-tremeWave, অমদি Directorate of Commerce and Industries অমসুং The Registrar of Firms, Manipur গী মখাদা রেজিষ্টর তৌজবা firm, Regd no. 103 of 2012-13 dated 18/03/2013 অসিদগী ঐহাক ইশানা য়ানা পার্টনরশিপতগী date 03, May, 2021 দা তোকচরে।

**Sd/- Smt. Ashangbam Ningol Ningthoujam Ongbi Purnimashi Devi**
HL-P/0966/18

## / LOAN

# LOWEST INTEREST

Kakching and Thoubal District Area Only.
1) Business Loan 2) Daily Installment Loan
3) Vehicle Loan (Two Wheeler only)
4) Piggery Loan 5) Poultry Loan

# JOB NEWS

1) Collector 5 no. - 10 Passed (Boys & Girls)
2) Reception 1 no. - 12 Passed (Female Candidate only)
3) Loan Recovery Officer 3no. Graduate

Last date of form submission - 15/12/2021
Interview date - 17/12/2021
Office hour - 10 am to 4 pm.

# 8575291124
8837318822
8575836481

Sd/-
**Office of the Lainingthou Pvt. Ltd.**
Head Office Thoubal &
Kakching Branch
HL-P/0889/11/12-10/01

## / লোন পীজরি

Imphal East/ West/ Thoubal/ Bishnupur Treasury দা ফোটো কাপ্পা পেন্সনর অমদি ইম্ফাল মনুংদা থবক তৌরিবা Civil Employee শিংনা করিগুম্বা লোন লৌবীনিংবা য়াওরবদি অপীকপা ইন্টরেষ্টতা লোন লৌবীবা য়াগনি। অকুপ্পা মরোল ওফিস মতমদা লাক্তুনা তানবীবা য়াগনি।

**Contact : +91 7085163609**
**+91 9383239168**

খঙহঞ্জরিবা : **Loan Manager, City Investment**
HL-P/0890/16,18,20

## / REGISTRATION NOTICE

A co-operative society under the name and style of "Nongpok Imphal Integrated Farming Co-operative Society Limited" at Sanashabi, Yaingangpokpi, Imphal East District is formed. So the society is going to be registered in the office at the District Co-operative officer, Imphal East under the Manipur Co-operative societies Act, 1976. If anybody who want to object to the registration of the society may object within 15 (fifteen) days from the date of publication. No objection shall be intertained after the due date.

Sd/- **Mohenjit HQ-1, Chief Promoter**
# 9856085972
HL-P/0964/18

## / অপেনবা ফোঙদোকচরি



(সুধাকর (শামু

ঐগী ওইথংবা কিডনি অমসুং ঈশিং মরীদা পুন্না নুঙ অনী লৈবদগী সগোলবন্দ খম্নাম লৈরক আই টি আই মনাক ইম্ফালদা লৈবা বাবা লাইশ্রম নবকিশোর পদ্মশ্রী এৱার্দী (মেদিসিন) গী মচানুপা ইয়াম্বা লাইশ্রম সুধাকর হার্বেল ফিজিসিয়ান, স্পিসিএলাইজ ইন য়রিনরী ষ্টোন না বাবাগী মহুৎ শীন্দুনা ঐবু হাপ্তা মরি লায়েংবীবদগী ঐগী লৈরম্বা নুঙশিং অদু লোইনা তাহনখ্রে। অনৌবা অল্ট্রা সাউন্দ লৌবদসু লৈবা উদ্রে। মসিগীদমক ইয়াম্বা সুধাকরবু হায়নিংঙাই লৈতনা পাউচেগী থোঙদা অপেনবা ফোঙদোকচরি।

**Sd/- Khwairakpam Sanamatum**
Thanga Oinam Leikai
HL-P/0951/18

## PARTNERSHIP তগী তোকচরে

মখাদা সহি তৌজরিবা ঐহাক Shri. Haorokcham Anil, partnership firm অমা ওইরিবা M/S X-tremeWave, অমদি Directorate of Commerce and Industries অমসুং The Registrar of Firms, Manipur গী মখাদা রেজিষ্টর তৌজবা firm, Regd no. 103 of 2012-13 dated 18/03/2013 অসিদগী ঐহাক ইশানা য়ানা পার্টনরশিপতগী date 03, May, 2021 দা তোকচরে।

**Sd/- Haorokcham Anil**
HL-P/0966/18

## / WANTED

Urgently Required Salesman cum Marketing Executive for Medical Wholeseller.

Contact : **Ak Korounganba**
# 9366127076
HL-P/0959/18

**/থজিন শাউগৎপা, পুকচেপ নাবা, পুক্তা মতুম অমা কোয়চেন চেল্লগা লৈবা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক য়াম্না কারগা অমাংথোংদা নুংশিৎ চৎলু য়াদবা য়ারোমদা য়াম্না তোয়না খেগৎপা, ওইবগী খুৎ অসি য়াম্না চিকপা নাবা, মফম হোংল-হোংলগা চিকপা য়েৎকী খোঙ নাবা, অসিসু মরক মরক্তা চিংগে তৌরকপা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।**



ঐগী হকচাংদা গ্যাষ্ট্রিকনা য়াম্না কন্না নাদুনা থজিন শাউগৎপা, করিগুম্বা অমা চাশিনবদসু থজিন শাউগৎপা, পুকচেপ অনীমক নাবা, কময়া অনীমক নাবা, ওইগী পুকচেপ মনুংদা চক চক থিল্লগা য়াম্না নুংঙাইতবা, পুক চপ তিংখৎপা, পুক্তা মতুম অমা কোয়চেন চেল্লগা লৈবা, অদু য়াম্না নুংঙাইতবা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক য়াম্না কারগা অমাংথোংদা নুংশিৎ চৎলু য়াদবা, য়ারোমদা য়াম্না তোয়না খেগৎলকপা, ওইগী খুৎ অসি য়াম্না চিকপা নাবা তৌরগা খাংবা ঙমদবা, হকচাংগী মফম খুদিংদা কোয়চেন চেল্লগা চিকপা নাবা, চাবা থকপা য়াদবা, খজিক্তং চারবসু খনাউদা ইথন্তা থনগৎলগা লৈবগুম তৌবা, চাবা তুমদবা, নোংমা নোংমগী হকচাং অসি শোন্থরকপা, অহিং তূম্বা য়াদবা, ফম্বী শেশনবা, ফম্বী থুনা থুনা চৎপা, তাঙ-তাঙ চিকপা নাবা, শিংলি নাওরি শোন্থবা, ঙকশম মরি নাবা, খুৎশাশিং অসি ইনোমতা নোম্লগা পোৎ অমা পায়বদা তাখিবা খঙদবা, কোক ঙাওরি ঙাওরি তৌরগা লৈবা, শয়েং অনীমক নুংঙাইতবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

*থাগৎচরিবা :* **Th. Naobi Singh**
Wabagai
HL-B/7295/18




পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অহবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।